**তীন্থ্রোক য়োকফমদা হাপচিল্লোইদবা পোৎলমশিংঃ**

নূং, গ্লাস, প্লাষ্টিক তীন্থ্রোক্লা কৈদৌঙেদা চাবা ঙমদে। য়াওখিদনবা হোৎনগনি। মসিগী থক্তা থাউ-থুমগী শরুক য়াম্না য়াওবা চাকখুমগী পোৎলমশিং হাপচিন্দবা ফৈ।

**হার ওইনা লৌথোকপা য়াবা মতমঃ**

মথক থংবা শরুক খরখক  হাইদোক্তুনা য়েংবদা অপীকপা মতূম মতূম (Granular) ওইনা উরকপা মতমদা হার ওইনা লৌথোকপা য়ারে।

**তীন্থ্রোক মথীদা য়াওবা হারগী চাংঃ**

ষষ্টী ষনয়ুংগী হার নত্ত্রগা অতৈ কম্পোষ্ট মখলশিংদগী তীন্থ্রোক্কী হারনা হেন্না মগুণ লৈ। পাম্বীনা দরকার ওইবা মচীঞ্জাক য়াওবগী চাং য়াম্না হেল্লি। নাইট্রোজেন ১.৫-২.৩%, ফোস্ফোরস ১.২-১.৮%, পোটাস ১.৫-২.৪%, কেলসিয়াম ০.৫-১%, সল্ফর ০.৪-০.৫%, আইরন ০.৪-১.৫% মেগ্নেসিয়ম ০.২-০.৩% য়াওই মসিগী মথক্তা কোপ্পর, জিঙ্ক, মেঙ্গানিজনচিংবা কয়াসু য়াওই। মসিনা মরম ওইরগা তীন্থ্রোক্কী হারবু পাম্নবা নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

**চেকশিনগদবা খরাঃ**

১। তীন্থ্রোকশিংবু ককচেংশিংনা চেন্থোক্কল্লি। ককচেং চঙবা ঙমদনবা শেমগনি। থম্ফমগী অকোয়বদা ঈশিং তুংনবা শেমগনি।

২। অমম্বা হৈনবা জীবনি। ফত্ত-হৌদিশিংদুগী মথক্তা প্লাষ্টিক সিট অমনা কূপশিন্দুনা থম্বা ফৈ।

থারিবা পাম্বীবু ওইরবসু, য়োক্লিবা জীব, শা-ঙাবু ওইরবসু কূপ্পা য়েংশিনবা, শেন্নবা হায়বসিমদি য়াম্নমক তঙাইফদে হায়বা ৱাফমসি নীংশিংজগে।

*Prepared by:*

**Dr. M. Thoithoi Singh**

Programme Coordinator, KVK Thoubal

*Published by:*


**District Rural Development Agency (DRDA)**

under

**IWMP, Thoubal District**

Leaflet No. 33

# পাম্বীশিংগী হারগীদমক তীন্থ্রোক য়োকপা



भाकृअनुप

ICAR

**KRISHI VIGYAN KENDRA, THOUBAL**

**DEPARTMENT OF AGRICULTURE**

Thoubal - 795138, Manipur

# পাম্বীশিংগী হারগীদমক তীন্থ্রোক য়োকপা

মমাঙঙৈ মতমদগী হৌনা তীন্থ্রোক লৈবা মফমশিং হার কাবা মফম্নি হায়নরকই। তীন্থ্রোক য়োকপগী মওং মতৌ মফম অমগা মফম অমগা মান্নদে, খেন্নৈ। মসি মফমদুদা ফংলিবা পোৎলম অমসুং অঈং অশা, নোংজ্রুগী মখা পোল্লি। ষন য়াম্না লোইবা ডাইরি ফার্মগী মনাক্তদি ষষ্থী খক্তা তীন্থ্রোক থাজিল্লি। ঈশিং য়াম্না তুংগনবা মফমদনা ৱাংনা শেম শাই, মপান খাগৎলি। মপান লমগী খুয়োক্তু মণিপুরগী মফম খুদিংদা পাঙথোকপা য়াবদি নত্তে। অদুবু চাওরাকপা ৱাফম খরদি ইমান মান্নৈ

## তীন্থ্রোক মখলঃ

তীন্থ্রোক মথী য়াম্না পুথোক্লুবগীদমক মচীঞ্জাক য়াম্না চাবা তীন্থ্রোক য়োকপা তাই। ইরমদমসিদা হান্নদগী লৈরক্লবা তীন্থ্রোকশিংদি মচীঞ্জাক য়াম্না চাদে। য়োকপদা কান্নবা ৱাৎলি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা African earthworm (*Eudrillus engenae*) নত্ত্রগা Red worm (*Eisenia foetida*) শীজিন্নবা ফৈ। মচীঞ্জাক য়াম্না চাই, হার য়াম্না পুথোকই। মশাগী অরুম্বগী শরুক মঙা চাবা ঙম্মী।

## ফংফম অমসুং মমল ঃ

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়োক্লরিবশিংদগী লৈনৈ। তীন্থ্রোক ১০০০ অমদা লুপা ৩০০-১০০০ ফাওবা পীনৈ।

## য়োকপদা চানবা মফম ঃ

মফম অমদা হেক্তা শেম্না য়াই। অদুবু খ্বাইদগী চানবদি উরুম লাংবা, ঈশিং ঈনিল ৱাংবা, ইংতক লৈবা মফমনা হেন্না চানৈ। অদুবু ঈশিং থুমগন্দবা মফম ওইগদবনি। মথক কুপ্পা শীজিন্নদ্রবা, শা-ষন য়োকফম, য়েন লোইফম শঙ্গোইগী মনুংদা তীন্থ্রোক য়োকফম শেম্না য়াই। শঙ্গোইগুম শেম্না মথক্তা ই-চরুনা কুপ্পা অমগী মনুংদা শেম্নসু য়াই।

## য়োকফম শেম্বাঃ

মথক কুপ্পা কাদুগী মনুংদা ঈশিং থম্লবা টেঙ্কিগুম লৈবাক্তগী ফু ট ১.৫-২ ৱাংনা, ফুট ৩ পাক্না চনখৎকনি অশাংবদি দরকারগী মতুংইন্না শাংহনগনি। কাদুগী মতুং ইনগনি। মনুংদা হাপচিল্লিবা পোৎলমশিংদু তীন্থ্রোক্না চাথোকখ্রবা মতুংদা অহেনবা মহীশিং থোক্লকপদু মচী অমদা চিথখিবা য়ানবা মায়কৈ অমরোমদা খজিক্তং ঙমথহনগনি। অহোবা অমা থম্লগা মপাল্লোম থংবা শরুক্তা লৌথোকপা য়ানবা শেমগনি। মসিগীদমক অপীকপা টেঙ্কি অমসু শেমগনি।

হোর্টিকলচর ডিপার্টমেন্টনা পাঙথোকপা প্রোগ্রামশিংদা য়েল্লিবা ভর্মি বেগশিংসি ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। বেগতুগী কাচিন মরিদা চৈ হাপচিল্লবা মতুংদা টেঙ্কিগুম উগনি। মফম চানা থমগনি।

## তীন্থ্রোক হাপচিনবাঃ

তীন্থ্রোক্কী অনৌবা মফমদুদা লৈবা হৈনলবা নুমিৎ ১০-২০ নি শুরবা ষষ্থীগা লোয়ননা হাপচিনগনি। মতুংদা ইশাগী ঈখ্বোল নৎত্রগা ফার্মদুদগী পুথোরকপা পাম্বীগী লেমখাকশিং অমসুং নাপীশিং ফোয়দোক্লুনা নুমিৎ ৭-৮ নি থম্লবা মতুংদা হাপচিনগনি। চাওরপ তৌবা পাম্বী ওইরবদি খরা ককথৎপা য়াই। পাম্বীশিংবু ইতেক তেক্ল, হেক ফুক্তোকপগা হাপচিল্লবদি মনুংদু শংনম নম্বা অমসুং অহেনবা মৈশা পুথোরকপনা তীন্থ্রোকশিং লৈবা হৈনহন্দে।

## থম্বা য়াবা তীন্থ্রোক মশীং ঃ

মিটর অমা পাকপা, মিটর অমা শাংবা, মিটর অমা লুবা ($m^3$) অমদা তীন্থ্রোক ১০০০-২০০০ ফাওবা থম্বা য়াই।

## ঈশিং ঈনিলগী চাং ঃ

ঈশিংদা তীন্থ্রোক লৈবা হৈনদে। মথক্তা লৈরিবা পাম্বীগী লেমখাক খরদু হাইদোক্লগা তীন্থ্রোক লৈরিবা মফমদু খুৎনা খরা লৌখৎলগা কন্না পায়শিনবদা খুরক্তা মহী খরদং থোরকপগী চাংদা থমগনি। ঈশিং ঈনিল ৱাৎলগনা মরক মরক্তা ঈশিং খরা খরা খীক্কনি ঈশিংগী চাংনা হেল্লগনা য়ূমদগী ষষ্থীচে, শীজিন্নদ্রবা লাইরিক, বোই খবরনচিংবা শেগায়রগা চাইশিন্দুনা চুপশিনহনগনি। নত্ত্রগনা অকৃৎপ মায়কৈদা চিথখিনবা শেমগনি।